## ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# ইন্দিয়াগী বোপানা অমসুং পেস দবলসতা মায়থিহৌরে নুপাগী সিঙ্গলসতা মুরে অমসুং ৱারিঙ্কা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি


তোঙান-তোঙানবা জুরাগা শান্নবদা মায়থিখ্রবা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং রোহন বোপানা

পেরিস , জুন ১ ঃ

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওসরিবা ফ্রেন্স ওপনগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং লিয়েন্দর পেস মখোয়-মখোয়গী তোঙানবা জুরাগা লোয়ননা শরুক য়ারকপদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে। অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর টু গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরে অমসুং নম্বর থ্রি স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা মখোয়-মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৬ শুবা সিদেদ জুরা ওইখিবা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমসুং রোমানিয়াগী ফ্লোরিন মার্জি ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগ অমসুং ব্রাজিলগী মার্সেলো মেলোগী মখুত্তা ৪-৬, ৬-৪ তা মায়থিবা নংখি। মায় পাক্লবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ জুরা ওইখিবা ইভান অমসুং মার্সেলোনা ফ্রান্সকী জুরা জুলিয়ান বেনেতো অমসুং এদৱার্দ রোজর বাসেলিন অমদি স্পেনগী জুরা ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজগী অথোইবা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা নুপাগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৬ শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং পোলেন্দগী মার্সিন মাটকোস্কি টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ জুরা য়ু এস কী ফাইবোক বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইনগী মখুত্তা ৬-৭ (১২-১৪), ৩-৬ তা মায়থিহৌখি।

ব্রাইন ফাইবোক্না সেমি ফাইনেলদা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী আলেকজেন্দর পেয়াগা লম্বা তৌনরগনি। কুবোট অমসুং পেয়ানা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী মার্সেল গ্রানোলস অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাসপু ৬-১, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

চথরিবা ফ্রেন্স ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর টু এন্দি মুরে অমসুং ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি ষ্টান ৱারিঙ্কা সেমি ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরি।

মুরেনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রিচার্দ গাস্কিবু ৫-৭, ৭-৬ (৭-৩), ৬-০, ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অমরোমদা ষ্টান ৱারিঙ্কানা স্পেনগী অলবার্দ রামোস ভিনোলাসপু ৬-২, ৬-১, ৭-৬ (৯-৭) দা থোইরম্বনি।

নুপাগী কাঙলুপ অসিমক্তদা লেমহৌবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং দা নোবাক জোকোভিস অমসুং জেক রিপব্লিক্কী তোমাস বর্দিস শান্নগনি। অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদনা বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিন অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান য়ু এস এ গী সেরেনা ৱিলিয়মস অমসুং কজাকষ্টানগী পুটিন সেভা লম্বা তৌনগনি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা স্বিজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিন্সস্কিগা লম্বা তৌনগনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা অমদি য়ু এস এ গী সেলবি রোজর্স থেংনগনি অদুগা মরিশুবা ক্বার্টরদা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুর অমসুং রুসিয়াগী স্বেটানা পিরোনকোভাগা লম্বা তৌনগনি।

## বিসিএ ইন্দোনেসিয়া ওপন ২০১৬

# ইন্দিয়াগী আস্বিনি অমসুং গুত্তগা লোয়ননা মনু অমসুং রেদ্দি নুপী অমসুং নুপাগী অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে


অহানবা রাউন্দ মায়পাকপা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী জ্বালা গুত্তা অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পানা হরাওবা ফোঙদোকপা

জকারটা , জুন ১ ঃ

ইন্দিয়াগী নুপীগী দবলস শান্নরোই আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং জ্বালা গুত্তা অমদি নুপাগী দবলসতা মনু অত্রি অমসুং বি সুমিট রেদ্দি মখোয়-মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

জ্বাল গুত্তা অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পানা ঙসি শান্নখিবা ইন্দোনেসিয়ান ওপন সুপর সেরিজ বেটমিন্টন টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগী জুরা ফেব্রিয়ানা কুসুমা অমসুং রিপকা সুগিয়ারতোবু গেম ২-১ দা মায়থিবা পীখি।

গুত্তা অমসুং পোনাপ্পানা অহানবা গেম অদু য়াম্না হেনবা মওংদা ২১-৭ দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেমদদি ইন্দোনেসিয়াগী জুরা অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরক্তুনা ২২-২০ দা থোইদুনা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি। এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ইন্দিয়াগী জ্বালা গুত্তা অমসুং আস্বিনি পোনাপ্পানা অহুমশুবা গেম অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী জুরা অদু মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। মখোয়না অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌননবগীদমক দেনমার্ককী কৃষ্টিনা পেদরসন অমসুং কামিলা রাইটরবু ২১-২৩, ২১-১৪, ১০-২১ দা থোইরম্বা চাইনাগী জুরা হুৱাং য়াকিয়োং অমসুং তাং জিনহুৱাগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মনু অত্রি অমসুং সুমিট রেদ্দিনা সিঙ্গাপোরগী শান্নরোই পিটর গেব্রিয়েল মাগনায়ে অমসুং অলবিন মোরাদাবু গেম ২-০ দা য়াম্না কোম্না ২১-১৩, ২১-১৬ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী কো সুং হ্যুন অমসুং সিন বেক সিওলগা লম্বা তৌনরগনি। কোরিয়াগী জুরা অদুনা মখোয়গী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই কেবিন কৃষ্টান্টো অমসুং বগাস মোলানেবু ২১-১১, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা সুমিট বর্ম্ম মালেসিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর টু শান্নরোই ওইরিবা লি চোং ৱৈগী মখুত্তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা নংখি। লি চোং ৱৈনা অহানবা গেম অদু ২১-১১ দা থোইখি। অদুগা অনীশুবা গেমদসু ইৱা ৱাদনা ২১-১৩ দা মায়থিবা পীখিবনি।

নুপীগী দবলসতা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা ইন্দোনেসিয়াগী সিতা অৱান দা/ মহাদেবী কেতুত, মালেসিয়াগী ভিভিয়ান মুন হো/ খে ৱৈ ৱুন, সাউথ কোরিয়াগী জুন ক্যুন ইয়ুন/ সিন সিওং চান্দ, ইন্দোনেসিয়াগী রোফা হদা পুত্রি/ ফ্রান্সিকা রহারদিয়া, সাউথ কোরিয়াগী চান য়ি না/ লি সো হি, চাইনাগী তাং য়োন্টিং/ য়ু য়াং , দেনমার্ককী মাইকেন ফ্রুগার্দ/ সরা থাইগেসেন, ইন্দোনেসিয়াগী তরা নুরৈদা/ রিস্কি প্রদিত, ওষ্ট্রেলিয়াগী সেতিয়ানা মপাসা/ গ্রোনিয়া সোমোবেল, ইন্দোনেসিয়াগী অপ্রিয়ানি রহায়ু/ জোজা সুগিয়ার্তো অমসুং নেদরলেন্দসকী ইফি মুস্কেন্স/ সেলেনা পিয়েকনি।

হয়েং নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ইন্দোনেসিয়াগী ফিরত্রিয়ানিগা লম্বা তৌনরগনি। মদুগী অথোইবা অদুগা জপানগী অকানে য়ামাগুচি অমসুং ৱার্ল্ড ৱান ওইরিবী স্পেনগী কেরোলিনা মারিনগা থেংনগদৌরিবনি।

# ইন্দিয়াগী ভক্তি কুলকর্নিনা এসিয়ান চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তা মাঙজিল থাদুনা চৎলি



টাস্কেন্ট , জুন ১ ঃ

উজবেকিস্তানগী সহর টাস্কেন্টতা চথরিবা এসিয়ান কন্টিনেন্টেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী ৱুমেন গ্রান্দ মাষ্টর ভক্তি কুলকর্নিনা মথন্তা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙল্লি।

চেম্পিয়ন্সি অসিগী ৬ শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ভক্তি কুলকর্নিনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু উজবেকিস্তানগী শান্নরোই গুলরুকবেগিম টোখিরজোনোভাগা শান্নবদা দ্রো চৎতুনা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংবা য়াবগী মনুংদা ৫ ফংদুনা অতোপ্পা শান্নরোইশিংগী পোইন্ট হেন্দুনা মথন্তনা মাঙজিল থাবা ঙল্লিবনি।

ভক্তিদা মতোন্দগী খ্বাইদগী নক্কবা লম্বা অহুম কজাকষ্টানগী দিনারা সাদোকাসোভা, চাইনাগী লি জ্বেয়ি অমসুং উজবেকিষ্টানগী টোখিরজোনোভাগী পোইন্ট ৪.৫ দা লৈরিবনি।

এসিয়ান কন্টিনেন্টেল ৱুমেন্স চেছ চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মখা তাবা রাউন্দ অহুম ৱাৎলি অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সোময়া স্বামিনাথন পোইন্ট ৪ ফংদুনা মহাকসু চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মেডল ফংবা য়াবগা তাঞ্জা অমা লৈরি।

স্বামিনাথন্না মহাক্কী ৬ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ভিয়েটনামগী শান্নরোই ফাম লি থাও মুয়েনবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৪ অদু ফংখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা খ্বাইদগী থাক ৱাংনা শরুক য়ারকখিবী ইন্দিয়াগী পদ্মিনি রাৱট ৬ শুবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই আর ভৈসালিগা শান্নবদা হৌরকপদা ফজরম্বদগী লোইশিনবদা শোয়দুনা দ্রো চৎখিদুনা মেডল ফংবগী আশা নেমশিনখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ৱুমেন গ্রান্দ মাষ্টর ভক্তি কুলকর্নিনা মহাক্কী ৬ শুবা রাউন্দদা উজবেকিষ্টানগী গুলরুকবেগিম তোখিরজোনোভাগা শান্নখিবা গেম অদু অমুবা মচু পায়দুনা লম্বা চখরকপদা গেম অদুগী ময়ায় চনশিল্লকপদা মহাক্না তোখিরজোনোভাদগী পোন অমা হেনবা ঙমখি। মহাক্না খুৎলাই অমা হেনখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরমগদবা গেম অদু লোইশিল্লকপদা লৌবা ঙমহৌদবদগী দ্রো চৎলগা গেম অদু লোইশিনখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগা চপ মান্নবা পাঙথোক্লিবা ওপনগী কাঙলুপ্তা হান্না ইন্দিয়াগী চেম্পিয়ন ওইরম্বা এস পি সেথুরমন ভিয়েটনামগী লি ক্বাংগী মখুত্তা মায়থিবা নংখি।

# সিমা পুনিয়া কালিফোর্নিয়া ইভেন্টতা সিলভর ফংখ্রে

সালিনাস, জুন ১ ঃ

য়ু এস এ গী রাজ্য কালিফোর্নিয়াদা লৈবা সালিনাস সহরদা পাঙথোকপা ইলিট দিভেলপমেন্ট সেক্সনগী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী এসিয়ান গেমস দিস্কস থ্রো চেম্পিয়ন ওইরিবী সিমা পুনিয়া আলবিলনা সিলভর মেডল ফংখ্রে।

সহর অসিমক্তা পাঙথোক্লিবা পেট য়ং থ্রোৱর্স ক্লসিক টুর্নামেন্টতা মিটর ৬৬.৬২ লংদুনা রিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা মিটর ৬২.৪৩ লংদুনা সিলভর মেডল ফংখিবনি।

পনবা য়াবদি কম্পিটিসন অদুগী গোল্ড মেডল অদু ২০০৮ গী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন ষ্টিফানি ব্রাউন ট্রাপতোন্না মিটর ৬৩.০৯ লংলগা লৌবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা চাইনাগী য়ানবো য়াংনা মিটর ৬১.০৬ লংলগা লৌখিবনি।

কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী কৃষ্ণ পুনিয়ানা মিটর ৫৭.৪৮ লংলগা ৭ শুবা তাখি।

# লৈবাক মরিগী টুর্নামেন্টতা জপানগা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে


জপানগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চন্নবা কন্না হোৎনখিবা মতাং অমা

দারৱিন , জুন ১ ঃ

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা ব্রাজিলগী সহর রিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী সহর দারৱিনদা পাঙথোক্লিবা লৈবাক মরিগী ইভিটিসনেল হোক্কি টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা জপানগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

ওলিম্পিক্কীদমক শেম শাবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিবু ন্যু জিলেন্দ টিম্না য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ঙরাং মায়থিখিবা অদুগী মতুং ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদুনা য়াম্না চেকশিনবা মওংদা লম্বা তৌদুনা জপানগী মায়কৈদা শান্নবগী অঙনবা শরুক্তগী হৌনা বোল পুশিনবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৭ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর পুনম রানিনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মেটচ অদুদা জপানগী টিম অদুবু মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অদু মখা তাবা এটেক চখ্খ্রবসু জপানগী দিফেন্দরশিং অদুনা ফজবা হেনখিবদগী পাঞ্জল অহেনবা চনবা ঙমখিদে।

জপানগী কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই হাজুকি নগাইনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনিটতা ইক্বেলাইজর চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী অহুমশুবা ক্বার্টর অদুদা মায়কৈ অনীমক্তগী লৈনখিবা এটেকশিং অদু মান্নখি। মদুনা মরম ওইদুনা অহানবা হাল্ফ লোইবদা লৈখিবা পাঞ্জলশিং অদুগী মথক্তা অহেনবা লৈখিদে।

মরিশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ওইরিবী মৈতৈ নুপী সুসিলা চনু য়েল্লো কার্দ ফংদুনা ক্বার্টর অদুগী মিনিট ৫ শান্নবা লেপহনখি। অদুবু শান্নরোই ১০ দমক ঙাইহৌরবা ইন্দিয়াগী টিম অদুনা য়াম্না নিয়ম চুম্বা দিফেন্স তৌদুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১ দা অদুম্মক দ্রো চৎখি।

# আই সি সি চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়া পাকিস্তান থেংনরগনি

এগবাষ্টন , জুন ১ ঃ

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলকী মখাদা পাঙথোক্কদবা আই সি সি চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী গ্রুপ বি গী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগা মতম পুম্নমক্তা লম্বা ওইদুনা লাক্লবা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক পাকিস্তানগা লম্বা তৌনরগনি।

২০১৭ কী জুন ১-১৮ ফাওবা লন্দনগী ওভেল বিরমিঙ্ঘাম অমসুং কার্দিফকী ৱেল্স ষ্টেদিয়মদা শান্নগদৌরিবা নুমিৎ ১৮ গী টুর্নামেন্ট অসিদা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ইন্দিয়ানা অনীশুবা সিদেদ টিম ওইনা শরুক য়াদুনা গ্রুপ 'বি' লুচিংলিবনি।

গ্রুপ অসিদা অহুমশুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকা, মঙাশুবা সিদেদ শ্রি লঙ্কা অমসুং নিপানশুবা সিদেদ পাকিস্তান শরুক য়ারিবনি।

গ্রুপ এ দা ওষ্ট্রেলিয়ানা নম্বর সিদেদ টিম ওইনা শরুক য়ারি। মরিশুবা ন্যু জিলেন্দ, ৬ শুবা ইংলন্দ অমসুং ৭ শুবা বঙ্গালাদেশনা গ্রুপ অসিগী মপুং ওইরি।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা মমাঙগী টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা ইংলন্দবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইদুনা ২০১৭ কী টুর্নামেন্ট অসিদা মমাঙগী টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙম্নবা ইন্দিয়ানা কন্না হোৎনগদৌরি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*